# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-06-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় অমদি দ্রগ ফাগৎলে।

পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাদা লৈবা টি-লমলাই অমসুং কুৰান খুলদা ঙরাং থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-ইমপ্রোভাইজ মোরটার অনি, কন্ত্রিমেট এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমনি, মোদিফাইদ এস.বি.বি.এল. কারত্রিজ ২৭, ইমপ্রোভাইজ মোরটার সেল ২০, এন্টি রাইওট রবর বুল্লেট অহুম অমসুং বুল্লেট প্রুব জেকেট অহুম য়াওরি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা ককচিং জিলাগী লাংমৈদোং মনিং লৈকাইদগী য়ু.পি.পি. কেগী লালহৌবা অমা ফারে। মঙোন্দগী পোইন্ট থ্রি টুগী পিস্টোল অমা অমসুং মোবাইল হেন্দ সেট অমা ফাগৎখি।

মখা তানা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (নোয়োন) গী লালহৌবা অমা ফাখি। মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৯, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, অধার কার্ড অমা ফংখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী সংতোংদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক অমসুং প্রিপাক (প্রো) গী লালহৌবা অনি ফাখি। মখা তানা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল গেমস ভিলেজদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী লালহৌবা অমা ফাখি।

মনিপুর পুলিসনা ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস আউট পোষ্টতা ইম্ফালোমদগী লাকপা ত্রক গাড়ি অমা চেক তৌবদা মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ২২

রোমগী ওইগদবা মেথা-ফিথমাইন দ্রগ কিলোগ্রাম ৫৭ লোমসু ফাগৎখি।

**ধরতি (এল) ঃ** কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মখাদা হয়েংদগী থা অসিগী ৩০ ফাওবা ধরতি অবা অভিয়ান-এৱারনেস এন্দ বিনিফিট সেচুরেসন কেম্প পাঙথোক্কনি। রাজ্য অসিদসু কেম্প অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি।

নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-সরতচন্দ্র অরোজ্না থোকপা চেরোল অমদা হায়-কেন্দ্র সরকারগী মখাদা পায়খৎপা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উতর্কাস অভিয়ান (দাসগুৱা) স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা কেম্পেইন অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩০ গী খুঙ্গং লিশিং ৬৩,৮৪৩ গী ত্রাইবেল মীওই কোতি মঙা হেনবদা কান্নবা ফংহনগনি। কেম্পেইন অসিনা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপদা নত্তনা হকশেল, মহৈ মশিং তম্বা অমসুং পুন্সি মহিংদা চাউনা অওনবা পুরক্কনি।

জিরিবাম জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইনর্ফোমেসন ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কেম্পেইন অসি জিলা অসিগী খুঙ্গং অহুম-জাইরোলপোকপী, সোতোবেক্রা অমসুং ভুতাংখালভিদা হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগা খুৎশমদনা কেম্পেইন অসিগী খুদোংচাবা কয়া হায়রিবা খুঙ্গং অহুম অসিদা ফংহন্নবা হোৎনগনি।

তেংনৌপল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোলদা হায়-কেম্পেইন অসি থা অসিগী ১৬ তা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা অয়ুক পুং ১১ মখায়দা হৌদোক্কনি। বিনিফিসরিশিংনা রেসন কার্ড, পি.এম.জে.ৱাই, দোমিসাইল, পি.এম. কিষাননচিংবা মরী লৈনবা চে চাংশিং পুরক্তুনা কেম্পেইন অসিদা শরুক য়াবীনবসু চেরোল অদুনা হায়রি।

**লোংমাই (এল) ঃ** লোংমাই (নোনে) লিদরসিপকী মীওই তরেৎনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

লোংমাই পি.ই.আই. কষ্টমরি কোর্টকী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়-উন্নবা অদুদা হৌখিবা মে অহুমদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। রাজ্যপালগী মায়কৈদগীসু পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

**অসামঃ** বি.জে.পিগী কনাদ পুরকায়াসথা অমসুং অসোম গন পরিষদকী বিরেন্দ্র প্রসাদ বৈস্যা, অসামদগী রাজ্য সভাগী সদস্য ওইনা লম্বা য়াওদনা খনখ্রে।

কনাদ, বি.জে.পিগী ষ্টেট সেক্রেটরি ওইনা লৈরিবনি। অসামগী রাজ্য সভা সিট পুন্না তরেৎ লৈ। মসিগী মনুংদা হৌজিক বি.জে.পিনা মরি, মসিগা চুংশিন্নবা এ.জি.পি. অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি লিবরেলনা অমমম অদুগা সিট অমনা ইন্দিপেন্দেন্টনা ফংলি।

**আয়ুসঃ** যোগ ফোর ৱান আর্থ-ৱান হেলথ হায়বসিদা মালেমগী ওইবা যোগগী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি।

মীফম অসি ১১ শুবা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ যোগাগী মাংওইননা পাঙথোক্কদবনি।

মীফম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মমিং লৈরবা যোগা ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং ৱেলনেস কম্যুনিতিগী মীওই লিশিং অমা হেনবনা ভরচুয়েল ওইনা অমদি হকথেংননা শরুক য়াগনি। ভারিন, আমেরিকা, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং খা-কোরিয়াদগী যোগাগী লমদা মশক নাইরবা মীওই কয়ামরুমসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি। লৌনগন্দবা লায়নাদগী ঙাকথোক

বগীদমক যোগা, যোগাগী মান্নবা নিতি-নিয়ম অমদি আই.দি.ৱাইগী মতাংদা নৈনবা, যোগা টেক ইনোভেটরস প্রজেন্টেসন অমসুং যোগাগী মতাংদা পুমমক্কী ওইবা মীৎয়েং হায়বনচিংবা হীরমদসু খন্ন-নৈনগনি।

**ব্লেক বোক্সঃ** অহমেদবাদকী প্লেন কায়খিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি। ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা ঙরাং প্লেন কায়ফমদা চৎতুনা থিজিনবগী থবক চথখি।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক থোকফমদগী ব্লেক বোক্স অমা ফংবা ঙমখ্রে। মদুগী মমাংদা, গুজরাট এন্টি টেরোরিজম স্কাউদনা মফম অদুদগী দিজিটেল ভোইস রেকোডর অমসু ফংবা ঙমখি। অদুমওইনমক, প্লেন অদু করমা কায়খিবনো হায়বদুগী চপ চাবা মরমদি খঙবা ঙমদ্রি। মসিগী মতাংদা ফোরেন্সিক এনালাইসিষ্ট অমদি মখা তাবা টেকিকেল ইগজামিনেসনশিং চথরি। থৌদোক অদুগী তুংদা মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা মীওই কয়া থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি। মখোয়বু থিবগী থবকসু কন্না চথরি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এক্সিদেন্টেল দেদকী এফ.আই.আর. অমা মেঘানি নগর পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-থৌদোক্তুনা লৈখিদবা মীওই তরেৎ হেনবগী হকচাংশিং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে অমদি মশক খঙদোকবগীদমক দি.এন.এ. সেম্পল ২০০ হেন্না খোমগৎখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা শাবগী চাং হেনগৎলকপা, অহমেদবাদ প্লেন ক্রাস মালেমগী থাক্তা থিজিলহনবগা মরী লৈনবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাহ্ এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-মনিপুরদা চহি খুদিংগী শাবগী চাং হেনগৎলক্লি। নোনেদা সেলসিয়সি দিগ্রী ৩৯ হেন্না শাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ চে অসিমক্তদা-মনিপুরদা কোবিদ নাইন্তিনগী অনৌবা পোজিটিব কেস অহুম হেনগৎলক্তুনা মঙা শুরে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ঙান্থোই অমসুং লমনুনথেম লৈখিদবা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতে, অদুবু মখোয়না লৈখিদবা অসিনা ঐখোয় পুমমক নুংশিহনবা ওইরসনু হায়না সি.এল.পি. লিদর ও. ইবোবীনা ফোংদোকখিবা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা কায়খিবা ইয়ারক্রাপটকী ব্লেক বোক্স ফংখ্রে, চপ চাবা মরম খঙলগনি। ঙান্থোইগী পোকমীন্নবা মচে অহমেদবাদতা থুংখ্রে, হকচাং মশক খঙদোকবা দি.এন.এ. কেসকীদমক মচেদগী সেম্পল লৌখ্রে হায়না পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদ লাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-প্লেন ক্রাসতা লৈখিদ্রবী ক্রু মেম্বর-লমনুনথেম মহাক্কী মমান্নবীগী সিফট মহুৎ শিনদুনা চৎপদা লাইবক থিবা থৌদোক নংদুনা লৈখিদবনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-লো এন্দ লেজিসলেটিব এফিয়ার্স মথৌ নীংথিনা তৌহন্নবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী লৈঙাক অসি শোয়খ্রবসু শোয়খ্রে হায়বা ঙমদবা দায়ত্ব লৈতবা লৈঙাক অমনি হায়না রাজ্য সভাগী এম.পি. সঞ্জয় রাৱথনা থমখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা মীতৈ অমদি কুকিগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্ত্রিঙৈ সেন্ত্রেল গভরমেন্টনা মনিপুরদা অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী অপাম্বা লৈতে হায়বা পাউ অমসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা-খামেনলোক লানফমদা লৈখিদ্রবা খুল ঙাকপশিং

নিংশিংখ্রে, সি.এস.ওশিং পোলিটিকেল পার্টিশিং মানা মানা লৌগদবা থৌদাংশিং য়াৎথোকবা মতম ওইরে হায়না এম.এল.এ. লোকেশ্বরনা থমখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-কোবিদ নাইন্তিনগী কেস হেনগৎলকপগা মরী লৈননা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবা মনিপুর হেলথ দাইরেক্তোরেটনা কমিতি ১৯ শেমখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নোর্থ ইর্ষ্টন কাউন্সিলনা মনিপুরদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট ৯ পায়খৎনবা লুপা কোতি ৬ হেনবগী শেনফম কায়থখ্রে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমুকোনা শিনদুনা রাজ্য অসিগী শক্তমদা শিংনরকপগী মায়োক্তা ঙসি মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কনি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।